**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 09-08-2025)**

**ডে (এল) ঃ** মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমিৎ ঙসি মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকরি। মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি।

নোর্থ ইষ্ট ইন্দিজিনস পিপলস ফোরমগী মখাদা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মনিপুরনা শিনদুনা নুমিৎ অসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা তিপ্রা মোথা পার্টিগী লুচিংবসু ওইরিবা ত্রিপুরাগী নিংথৌ-প্রদয়োত মনিক্যা দেব বরমানা অথোইবা মীথুংলেন ওইগনি। থৌরম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমগী রাজ্যশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াগনি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থৌরম অসিদা শরুক য়াবা লাক্লিবা ত্রিপুরাগী নিংথৌবু ঙরাং মহাক্কী য়ুমদা তরামা ওকখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়-মনিপুর অমসুং ত্রিপুরা অনি অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনরক্লি। রাজ্য অনি অসি আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিংগী চৈথেং ফংলি। হীরম অসিগী মতাংদা পুন্না থবক তৌমীন্ননবা কুপা খন্নখি।

নুমিৎ অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী লো বিভাগ অমসুং সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুটিজ এদুকেসননা শিনদুনা য়ুনিভরসিতি অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কনি।

নুমিৎ অসিগী হীরমনা-‘ইন্দিজিনস পিপলস এন্দ এ.আই-দিফেন্দিং রাইটস সেপ্পিং ফ্যুচর হায়বসিনি। থৌরম অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-নাওরেম লোকেন্দ্র, জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ কমিতি-মনিপুরগী প্রসিদেন্ট-মৈবোন পাউমৈ, মনিপুর ষ্টেট হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী হান্নগী মেম্বর-ঙাংবম নোংয়াই শরুক য়াগনি।

নুমিৎ অসি য়েলহৌমী ফুরুপনসু শিনদুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা

লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি।

**ম্যুজিয়ম (এল) ঃ** ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মগী তরুকশুবা কুমওন অমসুং হিরোসিমা নাগাসাখি ডে বিষ্ণুপুর জিলাগী মাইবমলোৎ চীংদা ঙসি অয়ু পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা ভারত্তা লৈরিবা জপানগী এম্বেসেদর-ওনো কৈচি, রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল অমসুং ধনমঞ্জুরি য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেলর-ডব্লিয়ু. চান্দবাবু শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা নৌনা শাখিবা হারমোনি হাউস শঙ্গবগা লোয়ননা জপানদগী পুরকপা পোৎলমশিং উৎপা অখন্নবা ইগজিবিসন অমসু হৌদোক্কনি।

**কংগ্রেস (এল) ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ভারত থাদোকউ অন্দলোনগী ৮৩ শুবা কুমওন ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অসিদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা দল অসিগী লুচিংবশিং অমদি কর্মিশিং শরুক য়াগনি।

**এমওএস(এল) ঃ** কেন্দ্রগী পেত্রোল্লিয়ম এন্দ নেচরেল গ্যাস অমদি টুরিজমগী রাজ্য মন্ত্রি-সুরেস গোপিনা হায়রি-মনিপুরগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরবা লোক্তাক পাৎ অসি মালেম থাক্তা নীংথিনা শেমগৎতুনা রাজ্য অসিগী শেন মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনগনি।

ঙরাং ইম্ফালদা থুংলখিবা শ্রী সুরেস গোপিনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা হন্না য়েংশিনবগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গোপিনা হায়-পধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা অৱাং নোংপোক লমদম অসি মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনরি। তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদা মীয়ামনা অনৌবা ৱাখল্লোন

পুথোক্তুনা থবক পায়খৎলবদি মনিপুর অসি হেন্না চাউখৎপা মফম অমা ওইবা ঙমগনি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিদা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিনবা মফম মরাং কায়না লৈরি। মসি নীংথিনা শেমগৎলবদি শেল থুমগী ফিভম হেন্না ফগৎহনবসু ঙমগনি। মীফম অদুদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-পুজা এলাংবম, বিষ্ণুপুরগী এস.পিনচিংবা মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা রাজ্য অসিদা লম কোইবশিংগী পুকিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা য়াবা মফমশিংগী মতাংদা পৱার পোইন্ট প্রজেন্টেসন উৎতুনা মন্ত্রিদা য়েংহনখি। তুংদা, শ্রী গোপিনা ওফিসিএলশিং য়াওনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা চৎতুনা অনাবশিংগসু ৱারী শান্নখি অমসুং হোস্পিতাল অসিগী অৱাৎ অপাশিং য়েংশিনখি। তুংদা, মাইবমলোৎপা চীংদা লৈবা ইন্দিয়া পিছ মেমোরিএলদা চৎতুনা অনিশুবা লনজাউদা লৈখিদ্রবা ভারত অমসুং জপানগী লান্মীশিংগী মফমদা লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই তরুক ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তিলিপতি এরিয়াদা লৈবা দুকানশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়বা মীওই মরি ঙরাং ফাখি। মখোয়দগী হোন্দা এক্তিভা অনি ফাগৎলে। আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাডরনি হায়বা মীওই অমসু জিলা অসিগী হুইকপ মখা লৈকাইদগী ঙরাং ফাগৎখি।

কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমসু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মোইদাংপোক মনিং লৈকাইদগী ফারে। মীওই অসি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবনি।

**বন্দ (এল) ঃ** ফুথ হিল নাগা কোর্দিনেসন কমিতি (এফ.এন.সি.সি) না চথরন্বা মতম কক্তুবা বন্দ হন্দোকখ্রে।

মনিপুর সরকারগী হোমগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি য়াওনা জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল, এফ.এন.সি.সি, তাংখুল নাগা ফুথ হিলস ওর্গনাইজেসন অমদি কৌব্রু রেঞ্জ লিয়াংমৈ ৱিমেন য়ুনিয়নগী মীহুৎ কাংবুশিংগা ঙরাং ৱারী শান্নরবা মতুংদা ৱাফম খরদা য়ান্নবা পুরকপদগী খোঙজং অসি হন্দোকখিবনি।

মনিপুর সরকারগা য়ান্ন-ৱারোল অহুমদা সহি তৌনরবা মতুং মখোয়দা থল্লন্বা অথিংবশিং লৌথোকখিবনি। য়ান্ন-ৱারোলশিংগী মনুংদা-সরকারগী অয়াবা য়াওদনা লন্বী শেমজিল্লন্বশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা, নাগা তাবা মফমশিংদা লৈরিবা সু এগ্রীমেন্ট নৎত্রগা দিজিগনেটেদ কেম্পশিংগী মতাংদা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা রাজ্য সরকারনা কেন্দ্র সরকারগা খন্নবা অমদি আইন কায়না পোপী পান্বী থারন্বশিংগী মথক্তসু থবক লৌখৎপনচিংবা য়াওরি।

**গ্যাস** ঃ প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী মখাদা ইং ২০২৫-২৬ কী ওইনা মখা তানা সবসিদি পীনবা লুপা কোতি লিশিং ১২ কায়থোকপদা সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

ন্য় দিল্লিদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-শ্রী বৈসনোনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ইমুং কোতি তরা লাখ ৩৩ দা স্কিম অসিগী কান্নবা ফংহনখ্রে। স্কিম অসিগী মখাদা কিলোগ্রাম ১৪.২ লুন্বা সিলিন্দর অমমমদা লুপা ৩০০-৩০০ সবসিদি পীগনি। কঞ্জুমর অমনা চহি অমদা গ্যাস সিলিন্দর ৯ লৌবদা লুপা ৩০০ গী সবসিদি অসি শোয়দনা ফংগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.দি.পিশিংবু মশাগী ময়ুমদা তেক্ত-কায়দনা হনজিলহন্নবা লৈঙাকা য়াম া কন্না হোৎনরি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমা নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-লৈঙাকা অথিংবা থম্লবসু নারোলদা চলাইরম্বা প্লাষ্টিক ফেক্তরি থিংজিনখ্রে, ফেক্তরিদা লৈরম্বা রো মেটরিয়েল য়াওনা দিসপো গ্লাসসু ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ঙারি নমবা পুশিল্লক্লিবা ফাবৌ য়েংশিনদ্রবদি হকচাং শোকনিংঙাই ওই হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পোকফমদা-রিহেবিলিটেসনগী-দমক লুপা কোতি ৫০০ গী শেনফম অসি মতিক চাদে-বিমোল অকোইজম, হেন্না চাউবা ইকোনোমি পেকেজ অমা মথৌ তাই হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিস্তর-সুরেস গোপিনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা পায়খৎপা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনখ্রে। মনিপুরগী চাউথোকচনিংঙাই ওইরিবা লোক্তাক পাৎপু ৱার্ল্ড ক্লাস দিসটেসন ওইহনবনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না সুরেস গোপিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-কুকি ইনপি মনিপুরনা থাদৌ ইনপি মনিপুর কুকিশিংগী য়েকবনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-এফ.এন.সি.সিনা কৌরম্বা বন্দ হন্দোকখ্রে। কুকি সি.এস.ওশিংনা নেসনেল হায়ৱে টু ব্লোকেড তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-এম.ও.এস. সুরেস গোপিনা মরুওইবা চাউখৎ থৌরাংগী

থবকশিং রিভিয়ু তৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সরকারদা থাখিবা অরোইবা মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা য়ু.এন.সিগী ইমর্জেন্সি প্রসিদেন্সিয়েল কাউন্সিল মীতিং কৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-গানফিয়ু মেলদা মনিপুর সরকারগা ৱারী শান্নবদগী এফ.এন.সি.সিগী খোঙজং হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।